# মণিপুরী ফুঙ্গা ৱারীদা য়াওরিবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবীদনবা পাউজেল

- ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

**মতম** অমা লৈরম্মী। মথায়-থায়নঙৈগী ৱানি। মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মশা-মশাগী ওইবা তাবদা নুংঙাইবা, নোক্লীংবা, কান্নবা মচাক ময়াম অমা য়াওবা, লৌশিং পীবা ঙম্বা 'ফোক টেল', মণিপুরদা 'ফুঙ্গা ৱারী' নৎত্রগা 'চাকঙাই ৱারী' লৈনৈ। হৌজিক্কী মতমদা ফংলিবা চাওখৎলবা সাইন্সকী মতেংনা খুদোল তন্বীরিবা মখল-মখলগী ওইবা নুংঙাইবা ফংহল্লিবা পোৎলম কয়া অসি লৈত্রিঙৈ মতমদা ফুঙ্গং ৱারী অসি য়াম্না মরুওইবা আর্ট অমা ওইরম্মী। মসিদা থবক ৱানা শূরু-চৎলুবগী পোত্থাবা মতমদা লীনদুনা নুংঙাইহনবখক নত্তনা অঙাংশিংগী অফবা লমচৎ শেমগৎপা, নুংশিনবগী লীপূন চেৎশিনহনবা, থৱায় পানবশিংবু নুংশিনহনবা, অচুম্বা চৎননবা, মীনুংশি পোকহন্নবনচিংবগী পাউতাক পাউজেল মরাং কায়না য়াওই। অসিগুম্বা মখলগী ৱারীশিং অসি ৱাখলনা শাগৎপা ওইজরবসু অতাবশিংনা অচুম্বমক ওইরবোই খলহনবগী তোপ তোপ্পা মহাউ য়াওই। অসুম্না নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা লৈরক্লবা ৱারী মখল অসি মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং-মথং থংথরক্তুনা ঙসি ফাওবা মূত্তনা লৈ। অমরোমদা চীন্থাং ৱারী ওইরম্বদগী অইবা ওইনা শেমদুনা লাইরিক কয়াসু পুথোক্লরক্লে। ফুঙ্গা ৱারীশিং অসিদা অঙকপা, অকিবা, লাই-তীলগী ওইবা থাজ ৱারী কয়া অমসু য়াওই। অখঙ অহৈশিংনা থন্বীবা ৱাফমগী মতুং ইন্না ফুঙ্গা ৱারীগী মখল কয়ামুক লৈজরবসু মপূং ওইনা য়েংবা মতমদদি মশক মওং অসি ইমান মান্নবগুম্না উই। ফোক টেলগী মরমদা স্কোলর Stith Thompson না হায়,

It will be seen that the characteristic feature of the folk tale is the fact that it is traditional. It is handed down from one person to another, and there is no virtue in originality. This tradition may be purely oral. The tale is heard and is repeated as it is remembered with or without additions or change made by the new teller. Sometimes the tradition may be literary, as when a story keeps being told by one another after another. (Standard Dictionary of Folklore, Mythology and Legend, p. 408).

মণিপুরদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগীসু মশা-মশাগী ওইবা ফুঙ্গা ৱারী মরাং কায়না লৈজে। মতম অমদদি য়ূম-য়ূম খুদিংমক্তা ফুঙ্গা লৈনরম্বগা লোয়নননা নুমিদাংগী মতমদা ইমুংগী অহল ওইবশিংনা মচা মশুশিংবু খোমজিন-তাশিন্দুনা ইকোয়-কোয়না ফমদুনা মখল-মথেলগী ৱারী কয়া লীবিরম্মী। কপ্লিংবা, নোক্লিংবা, অকিবা, নুংঙাইবা, অৱাবা কয়ানা পীক থন্না য়াওবা ৱারীশিং অদু অঙাং ওইবশিংনা পূক্লিং চঙনা তাবা মরম্না অয়াম্বনা চীনফা পুরম্মী হায়না লৌবা য়াই। হায়রিবা ৱারীশিং অসিদা অফবা লমচৎ শেমগৎনবা পাউতাক কয়া য়াওই। অয়াম্বা মতমনা হায়রিবা লৌশিনবা য়াবা কান্নবা মচাকশিং অদু কাউথোক্তনবা লীবিরিবা অহল-লমনশিংদুনা পাউমেল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা 'ইতা থাউমৈ' গী ৱারীদা মপাঙ্গল কল্লবা তম্বা নুপা হুরানবা অমবু নাইতোম লৈজবী হনুবীগী য়ূমদা চঙলক্লবদা লৌশিং শীজিন্নদুনা হুরানবা ফাখিবগী ৱারী লীবিবা মতমদা 'অঙাংশা নখোয়সু লৌশিং শিংঙুকো, লৌশিংনা শামু ফাবনিকো' হায়না তাকপী। অমুক 'শন্দ্রেনবী চাইশ্রা' গী ৱারীদা অরানবা তৌবী পুকচেল পিকপী চাইশ্রাগী লৌনম নমথাক খঙলক্লবদা নিংথৌগী য়াথংনা অঙাং ওলহনখিবগা লোয়নননা লাঞ্জদবী শন্দ্রেনবীনা অমুক হন্না লৈমরেনবী ওইদুনা নুংঙাইনা পানখিবগী ৱারী লীবিবা মতমদা অচুম্ববু অরানবনা কৈদৌঙৈদসু নমথদুনা থম্বা ঙমদে, মমৈথংদা অচুম্বনা জয় ওই, মরম অদুনা অচুম্বা চৎকদবনি হায়না পাউতাক পীনৈ। থায়নদগী হৌনা চীন্থাং য়ৈনা লীনদুনা লাক্লবা ফুঙ্গা ৱারীশিংগী মনুংদা ৱারী খরদি শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংসু থৱায় পানবশিংনি, মখোয়গা তাইবঙ মীওইবগা কৈদৌঙৈদসু শেত্তোক খাইদোক্লবা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মপূং ওইরগা শাগৎপা থেংনৈ। থাঙ্গৈশেংবদি শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিং অসিবু য়েক্লবদৌনা তাথী তাওইনা তৌবগা লোয়নননা হাত্তোকপীবা কয়া অমসু তাইবঙ মীওইবা মরক্তা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্লবা মীনুংশি য়াওদ্রবা থৌওং থৌচৎশিং অসি চত্থদনবা ৱারী কয়া শেমদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহা অঙাংশিংদা তাহনবা ওইরম্বসু য়াই। মমাঙঙৈগী মতমদা শা লান্দা থৌবশিংবু লৈবাক্লা ইকায়খুম্ন দুনা অৱাংবা ফিদা পীরম্মী হায়বসি পুৱারীনা ময়েক শেংনা উৎলি। লৈবাক নিংথৌ য়াওনা অঙম-অথৌ, মীয়াম্না শা ফাবা, শাপুঙ থোনবনচিংবা পাঙথোক্লরম্মী। লাং থাক্তুনা উচেক ফাবা, উচেক মতুনা কোক্কী লৈতেং ওইনবগী চৎনবী লৈরম্বা মণিপুরনি। মরিং ফুরুপকী 'শাহোঙবা' মমিং লৈরবা কুম্মৈনি। অসিগুম্লবা লমলক্কী শা-উচেকশিংবু তাথী-তাওইবীবা কয়া অসিবু ফোংনা শিংনবা ঙমজদ্রবা ইপা-ইপূশিংনা নাকোইননা ৱারী কয়া শেমদুনা মখোয়বু কন্ননবা হোৎনরম্বগী মমি তাই। অসিগুম্বা মখলগী ৱারী খরা লৌখৎচরি।

'শন্দ্রেনবী চাইশ্রা' দা শন্দ্রেনবীগী মমা য়াংখুরৈমবু চাইশ্রাগী মমা শংখুরৈমনা হৈবোং অমুনবনি হায়জিল্লগা উথক্তগী লীন ময়াম অমা হৈথরক্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা মাগী থৱায়না থেঙ্গু ওনখিবগী ৱারী অদু থেঙ্গু হেক উবগা শন্দ্রেনবী মমাবু নীংশিংহল্লি। চাইশ্রাগী মমানা থেঙ্গু অদু মৈথক্তা থাঙ্গত্তুনা ফুৎপা মতমদা 'শন্দ্রেনবী ইমাদি খুজেং য়ৌরেদো, খ্বাং য়ৌরেদো, থবাক য়ৌরেদো' অসুম্না মথং মথং হায়রল্লগা তাইবঙপান থাদোকখি হায়বা তাবদা থেঙ্গু ফূৎলগা চাবা হায়দু তৌহৈদবনি হায়না খলহনবা ঙম্মী। অমুকসু লৈবাক নিংথৌগী তালোয় ওইদুনা লৈমরেনবী ফমথোন কাখ্রবী শন্দ্রেনবীবু ঈশিং অশাবা হৈজিন্দুনা মমা মচানা হাৎতোকপীরবদা লমখুনু ওন দুনা পাইখিবগী ৱারীনা লমখুনু অসি তাইবঙ মীওইবগী থৱায় ওইরমগদবোই নীংবগা লোয়নননা ফাদুনা চাথোক্কে হায়বগী ৱাখল খরদং ওইরবসু হন্থহনবা য়াই। "তাইবঙ মীনা লাইরেন ওনবগী ৱারীদা মপা-মচা অনী চীংদা শীং য়ানবা চৎপদা মখোয়না থোংলগা চাননবা পুরকপা শারেং অদু মতুপ-মতুপ কক্লুবা মপা অদু লাইরেন ওনখ্রবা তুংদা চহী খুদিংগী লাক্তুনা লমশেন-তুশেনবা ওইনা মচাগী ইঙ্খোলনুংদুবু ঙাকপী-শেনবীখি। মতৌ অসুম্না লাইরেনবু কিনা লুনা লৌনবগা লোয়নননা ঙাকশেন্দুনা থম্ননবা পাউজেল পীবা ৱারীনি। শোংগ্রী কৌবী নুপীমচা অমনা তেনৱা ওন দুনা পাইখিবগী ৱারী য়াম্না নুংশিবা ৱারী শীংবুন্নি। হৈরেম খুঞ্জানগী কাচেং লাবা কৌবা নুপা অমনা খুমন লমদা উক্রোং হোঙবা থৌরম য়াওরুবদা মাগী চাক শরুক ফংদবদগী শাউমনখিবনা খুমন নিংথৌদা অথীবা ৱাহৈ খোনফম শীজিন্নদুনা চৈরম্মী। মদুদা খুমনশিংনা শাউরক্লবদা মাবু হাৎপীরগনি কিবদগী চেনখ্রগা অহিং চূপ্পা শোয় মরুমদা লোৎলগা চাক লাম্মনবদগী ঙা অহিংবা ফাদুনা চাবগা লোয়নননা উথুম ওনখিবগী ৱারী অসিনা তাইবঙ মীওইবগা উচেক ৱায়াশিংগা অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকই।

হাওশি নামোইনুনা হারি নোংনাং ওনখিবগী ৱারীদা মমা অতোম্বী লৌশিগাম চনুনা মহাকপু ওৎপা, নৈবা চত্থবগা লোয়নননা এঞ্চাং হাউতে হায়দুনা এঞ্চাং ওৎনবা খাবৈনা মকোক্তা থোম্বদা কায়দুনা ঈহিং নাহিং শাবগা লোয়নননা হারি নোংনাং ওনখিবগী ৱারী তারুবা মতমদা হায়রিবা উচেক অসিনা শাইজিন শায়াদা নপ্তুনা নেং-নেং খোংলকপদা হাওশি নামোইনুদুমক্লি হায়না খল্লি। খোঞ্জেলদু তাবদা নুংশিবা ফাওই। 'তেনৱা চন্দ্রশখি' গী ৱারীদা তেনৱা অসিনা উমংদগী মাবু য়োকপীরিবা মপূ-মবেন অনীগীদমক নহা ওলহনবা ঙম্বা হৈ অমা পুরক্লম্মী। অদুবু লীন অমনা হু কামশিল্লম্বা হৈগী শরুক তঞ্চায়দু হুইদা পীজবদা হুই অদু শিখিবদগী তেনৱা অদুনা মখোয়বু হাৎনবা হোৎনৈ হায়দুনা মঙক লৈথৎলগা হাত্তোকপীরম্মী। হৈ তঞ্চায় অমদু ইঙ্খোল মনীংদা হুন্দোকখিবদগী হৌরক্তুনা মপান মউ ফনা মহৈ পাল্লম্মী। নোংমা অহল অনী অদু খৎনরকপদা অশাউবা ফাথবা ঙমদদুনা হনুবী অদু হৈ অদু হেক্লগা চারুবদা লৈশাবী ওনখ্রে। অদুদগী হনুবসু চারুবদা পাখং ওন্দুনা মখোয় অনীনা তেনৱাগী অশেংবা ৱাফম অদু লান্না লৌদুনা হাত্তোকপীখিবা অদুগীদমক নীংঙমদবা ফাওখি। অসুম্না ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা শা-উচেকশিংনা মীওইবগী কান্নবা তৌবা নত্তনা অমাঙবা পীদে হায়বা পাউতাক অসি ৱারী অসিদগী ফংই। তেনৱা খুদিংমকপু তেনৱা চন্দ্রশখিমক্লি খন্না লুনা চান্না তৌবীনবা পাউজেল পী।

'মচিন-মৌপ্বা' হায়না মিংথোনবা ৱারীদা লুখ্রাবী মমানা অতোপ্পা নুপাদা ময়ূম পানখ্রবা মতুংদা মৌপ্বা অদুবু মচা নত্তে হায়না তান্থোকপীরকখি। অৱা-অনা নংলবা মৌপ্বাদুবু ৱাবা কৌবা উচেক্ল। ময়া মনুংদগী য়াই অমা লৌথোক্লগা পীবদগী থোকহন্নীংবা চাক, এঞ্চাং, ফিরোল, ষণ, শগোল, সনা-লুপা, য়ূম-কৈ থোকহন্দুনা মচেবুসু মমাগী ময়ূমদগী কৌরুরগা লৈত-লায়র অনংবা ময়াম অমা খোমজিন্দনা অহাঙবা মফমদা নুংঙাইনা খুল লীংদুনা লৈখি। মতৌ অসুম্না উচেক ৱায়াশিং অসি তাইবঙ মীওইবগী মরুপনি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। মমা পোক্তবীগী মীওৎ-মীনৈ খাঙবদা ৱাজরবী নুপীমচা অমনা খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইখ্রদুনা উচেক লাংমৈ ওনখ্রগে হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লম্মী। মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী উচেকলাংমৈ শঙ্গু-শঙ্গু পাইরকপদা মতু খরা খরা খিকথবীরম্মু হায়জবদগী লাংমৈ মতু খিকথবীরম্মী। হায়রিবা মতুশিং অদুনা মসা ওইনা শেমদুনা মহাক্কী হকচাংদা য়োমশিল্লগা উচেক লাংমৈ ওন্দুনা পাইখিবগী ৱারী তারুবা মতমদা উচেক লাংমৈশিং অসি মরাইবক থীরবী, মমা নৌনা কায়নরবী নুপীমচাশিংনা ওনখিবা ওইরমদৌবোই পূক্লিংদা ফাওই। 'লুখ্রাবী মচা' গী ৱারীদা লুখ্রাবী মচা নিংথৌ অমদি মনাই শমককপনা হাৎননবা হন্না-হন্না শরৌ শীল্লকপা মতমদা খুনু, ঙানু অমদি শবিনা মতেং পাংদুনা হাৎপা ঙমখিদবগা লোয়নননা মমৈথংদা নিংথৌগী মরুপ ওইবগা লোয়নননা ফম্নাইবা ওইদুনা নুংঙাইনা পানখি হায়বা ৱাফম অসিনা তাক্লি মদুদি তাইবঙ মীওইবনা পাঙথোকপা ঙমদবা থবক ময়াম অমা শা-উচেকশিংনা তৌবা ঙম্মী। মরম অদুনা মখোয়দা য়াওরিবা মতিক-ময়াইশিং অসি মাঙহনবা হায়বসি হৌনদবা থবকনি হায়বসি ৱারী অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি।

'কৈ ওনবা কোমগী ঈশিং' হায়বা ৱারীদা থকপা য়াদবা হেক থক্লুবগা থক্লুরিবা মীওই অদু কৈ ওনবা ঈশিং থক্লুবদগী নুপী অমা কৈ ওল্লক্লবদা মীওইবা মরক্তা লৈবা য়াদদুনা উমং ৱামংদা নীংঙমদনা লেনখিবগী ৱারীনা কৈশিংবু মাঙহনবীদনবা পাউজেল অমা পীরি। 'তল তরেৎ' কী ৱারীদা হেলোই তরেৎনা পীরকপা অপাম্বা পোৎ থোকউ হায়না চৈ অমা শেৎ-শেৎ কনবদা থোকহনবা ঙম্বা হামেং অমগী মতেংনা লুখ্রাবী মমা মচানা নুংঙাইনা পানখি। মসিদসু নত্তনা মীনা হঙোই পোকপগী ৱারী অমদি লাইরেন্না হঙোই অদুদা তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা পীরকপদগী মমা মচানা নুংঙাইনা পানখিবগী ৱারী অসিগী মতুং ইন্না তাইবঙ মীওইবা অমসুং অতোপ্পা থৱায় পানবশিংগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়বদু তাক্লি। অতোপ্পা ৱারী অমদা তাইবঙ শেম্বা মপূনা মালেম, চীং-মান, ঈপাক-ঈচাউ পূম্নমক শেম্লবা মতুংদা খুন্দা লৈতাননবগীদমক মী, শা, উচেক্লচিংবা পূম্নমক শেম্বগা লোয়নননা মৈশা, মৈঙাল পীননবা চাউরবা মৈবুল অমসু পুথোক্লম্মী। হায়রিবা 'শা-উচেকশিংগী অচৌবা মীফম' হায়না মিংথোনবা ৱারী অসিগী মতুং ইন্না তাইবঙপান অসিদা য়েনবানা কে ক্রে কে হায়না খোংদুনা অয়ূক অমদি অহিং খঙনখিবনি। অসুম্না তাইবঙ মীওইবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমক তাইবঙ মপূনা শেম্বীবা ঙাক্তনি, কৈদৌনুংদসু শেৎন-খাইনবা য়ারোই হায়বগী খুদম চাংদম পীরি। মদুদসু নত্তনা মীওইবনা শা-উচেক্কী মপান তাংদুনা হিংলি হায়বসিমসু উৎলি। হূই হায়বা য়ূমদা য়োকপা, মপূ নীংবা শা অসি কয়াগী মতিক শিংবা অমদি কান্নবগে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবনি। ঐখোয়গী থাজনবী মতুং ইন্না কনানসু উগে ফংদবা লাইবু হূইনদি ইরায় লায়না উবা ঙম্মী হায়নরিবনি। অসুম্না মাগী মতিক ময়াই অসিবু শিংথাবা মতাং কয়া তোঙান তোঙানবা ফুঙ্গা ৱারীশিংদা য়াওবা থেংনৈ। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা 'হূই মচা লোইশঙ' হায়বসিসু শীংথাবা য়াই। লায়রবা নুপা অমগী নুপীনা সনা-লুপা, লন-থুম, অরং-অরাক্তা মীকাবদগী হিদিঙ্গা ললোনবা অমগী মতুং ইন্দুনা চৎখ্রবদা মাগী হূই অদুনা তূপ্লিবা নুপা অদু হৌদোক্তুনা মানা লমজিংলগা হিদিঙ্গা ললোনবগী য়ূমদা থুংলম্মী। নুপা অদুবু হিদিঙ্গা ললোনবা নুপা অদুনা মাগী শুমাঙ মতোন্দা ফুমজিল্লম্মী। অদুবু হূই অদুনা নিংথৌগী দরবারদা লাক্লগা নিংথৌ, অঙম-অথৌনচিংবা ময়ামগী ফিজি চিংলদুনা লায়রবা নুপাগী হকচাংদু ফুল্লিবা মফম ফাওবা পুরক্তুনা লৌথোকখি। ৱায়েল-বিচার চত্থরবা মতুংদা হিদিঙ্গা ললোনবা অমসুং নুপী অদুবু চৈরাক পীরগা লায়রবা নুপা অদুদা মখোয়গী লন-থুম পূম্বা শিন্নদুনা নুংঙাইনা লৈখি। মদুগী তুংদা হূই মচা লোইশঙ লীংখৎখি। অসুম্না হূইগা মীওইবগা লৈনরিবা অচেৎপা মরী অদু তাকপনি। 'থাঙ্গোং' হায়বা ৱারীদা নুপা অমনা ঙানু থাঙ্গোং অমোম অমা হাত্তোকপীরগা থোংলগা চাথোকখিবদা শেৎন-খাইনবগী মৈচাক পুবদা ৱাজরবা লাবা অদুনা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা নুপাদুগী শুমাঙদা মথন্তা শিজরগা তারকখি। থৌদোক অদুগী মতুংদগী নুপা অদুসু তাইবঙ মপূগী চৈরাক ফংবগা লোয়নননা নীংঙমদবগী মৈনা চাক্তুনা শিখি। শা-উচেক হাত্তোকপীদনবা পাউজেলনি।

মতৌ অসুম্না মণিপুরগী ফুঙ্গা ৱারীশিংদা শা-উচেকশংগী ওইবা ৱারী মখল মথেল কয়া হায়বদি, পেবেৎনা শামু লমশাদা লমন খুম্বা, নাপল চাউবা ইরোই, কৈ অমদি শামুবু হঙোইনা মায়থীবা পীবা, শজিগা ক্বাক্কা মতা শান্নবা, তোকপা লান্দাবা, হৌদোং লম্বোইবা অমসুং পেবেৎ, লমহূইগী তাৎ, পেবেৎ অমসুং কৈ, থেবা লৌশিংবা, লমহূই লৌশিং, লাইরেন্না ৱাশক ঙাকপা, শাহিং চাবা মচিন-মনাও, অচুম্বা ঙাঙলুবগী মহয়, হৌদোঙ-শেকপী মরুপ অনী, লমখুনুনা চাক্কৌবা, নুমিৎ অমদি য়েনবা, থেবা থেঙ্গু লমজেল তান্নবনচিংবা ৱারীশিং অসিদা য়াওরিবা শা-উচেকশিং অসিবু তাইবঙ মীওইবগুম্না মরোল থোকহন্দুনা অমদি মীগী লিচৎ শাজৎকা মান্নবা মওংদা শাগত্তুনা তাবদা নুংঙাইবা পোকহনবা ৱারী ওইহল্লি। শমজিন্না হায়রবদা অতাবশিংনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংসু থৱায় পানবা ঙাক্তনি, মখোয়গীসু পুন্সি অমা লৈজে, মখোয়সু হিংবগী মহাউ ফজনা খঙবা ঙম্মী হায়বসি নীংশিংহল্লি। অসিগুম্বা মখলগী ফুঙ্গং ৱারীগী মতাংদা ডা. হুইরেম বেহারীনা অসুম্না ফোঙদোকই,

শা, ঙা, উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী অসি ইংরাজীগী 'এনিমেল টেলস' নৎত্রগা 'বীষ্ট টেলস' হায়বদুগা মান্ননা লৌনৈ। মখল অসিগী ফুঙ্গা ৱারীশিং অসিদা শা, ঙা, উচেক্লা মরুওইবা কেরেক্টর ওইরগা পাঙথোকপা থৌদোক-থৌরমগী ৱারীশিং অয়াম্বনা ওইগনি। ৱারীশিং অসিদা য়াওরিবা শা, ঙা, উচেক্কী জীবশিংনা তাইবঙ মীগা মান্ননা থবক পাঙথোকই। অমরোমদা হায়রগা মখোয়গী সংসার অদু মীওইবগী সংসারগা মান্নে। অসিগুম্বা ৱারীশিংদা মহৌশানা মীওইবগী গুণশিংদু শা, ঙা, উচেক্কী জীবশিংদা লৈহল্লি (ফুঙ্গা ৱারী, সাহিত্য নৈনরোল লামায় ১২০)। মতৌ অসুম্না লমদম অসিদা থায়নদগী হৌনা চীন্থাঙ ওইনা মথং-মথং লীনরকখিবা ফুঙ্গা ৱারীশিংগী মনুংদা শা, ঙা, উচেক-ৱায়াশিং অসি হীরম অমা নৎত্রগা অমদা য়াওদুনা তাইবঙ মীওইবগা শাগোন্নদুনা হিংবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। মসিনা মখোয়বু নুংশিবা অমদি মাঙহন তাকহন্দনা লোয়নবীনবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনগা লোয়নননা য়োকখৎপীনবা পাউজেল পীরি। মণিপুরীশিংগী ৱাখলদা লমখুনু হায়বা উচেক অসি কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংগী থৱায়না ওল্লকপনি হায়না কিনা লুনা লৌনৈ। মসিমক ফুঙ্গা ৱারীগী ইথিল ওইরম্বসু য়াই।◀◀

# মীয়াম্না ঙাঙনরিবা শাসিবু তশেংনা চুম্লিজাৎলা?



- এস ঐচ রোবিন্দ্রো শর্ম্ম -

**হন্দক** মণিপুরদা চুপাকাব্রাগুম্বা মোনষ্টর অমনা য়ূমদা য়োকপা শা-উচেক, ঙানু-য়েন কয়া হাৎলগা ঈ চুপখিবগী পাউনা ৱা-ৱা লাউনরি। নুপী অঙাং কয়া অমা কিবনা নুমিদাংদা মপান থোক্লদ্রে, খরনা বম্লুলাদা পংথাদা থানৈ। তাল্লকসিদা কনাগুম্বা খরনা অমুক ইবুধৌ ৱাংব্রেনগী লাংওননি, ইবুধৌ পুথিবগী শায়ওননি, মঙোন্দা হিংশা তৌবা য়াদে, হায়জগদবনি নৎত্রবদি মীসু চারক্কনি ককা হায়না হায়জিল্লকপসু কয়ানি। হেন্না নুংঙাইরিবদি থামুক্কী মমাঙদা চূড়াচান্দপুরদা নুমিদাংৱাইরমদা য়ু এফ ও মানবা পোৎশক অমা মীয়াম্না অতিয়াদা উনখি। হন্দক্কী মোনষ্টরসি মখোয়না থাদোক্লম্বা allienative অদুগা interstellar গী মশক ওইবা ক্রিএচর অমা শোয়দনা ওইনি হায়দুনা পংপাদা পাখৎনবসিনি।

অসুম্না চয়োল অমমুকসি মীয়ামগী পাউসি সুম তারবা মতুংদা মসিগী মতাংদা ঐগী ৱাখলদা ফাওরকপা মত অমতং থমজবা তারবদি - হায়রিবা মোনষ্টর অসি POLECAT, মীতৈলোলদা হায়রগা মোইরাং শাথীবী হায়বা শা মখলসি শোয়দনা ওইগদ্রা খঞ্জে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা লাঙ্গোল চীংদগী কুম্লকপা লমহুই, কৈজেংলাং, মোইরাং শাথীবী হায়রিবা শাশিং অসি কুম্লক্লগা ঙানু, য়েন চারম্বগী পাউ/ৱারী য়াম তোয়না তারম্মী।

POLECAT মসিগী সাইন্টিফিক নেমদা *Mustela Putorius* হায়বসি *Mustelid* ফেমিলিগী শা মখল অমনি। মালেমদা মসিগা হায়রপ মান্নবা শা মখলশিংদি Skunks, Ferret (while domesticated and used in hunting) Mustelinae, Raccoon, Weasel, Mink অসিনচিংবনি।

মোইরাং শাথীবী হায়রিবা শা মখল অসি তম্পাক্তা তাইনবা উ হৌবা চীংশিংদা মকোন শাগল্লি, (lowland wooded habitat) অসিগীসু মথক্তা ৱেটলেন্দ এরিয়াগী ফুমধী হাওধীদা, তুরেল তোর্ব্বানদা, ফার্মহাওসতা, নূংনা খাবা ৱালগী নূং কারক্তা মকোন শাদুনা লৈ। মোইরাং শাথীবী হায়রিসি মমিংদা অদুম খঙবীরো য়াম শাথিবা Blood Thirsty নি। মখোয়না অপিকপা Rodents, Rabbits, Frogs, Birds, Snakes শিং অসি নুমিদাং চাক্তাবা মতমদা ফারগা চাই। অদুগা মখোয়না খ্বাইদগী পাম্না এটেক তৌরিসি পোলত্রি অসিনি। নুমিদাংদা মখোয়না লুম্লগা য়েন, ঙানুশিংসি মঙক্তা চিক্তুনা হাৎকনি, মবুক্কুম্বা খর থোৎপা মফমদা ঈ চূপকনি।

মোইরাং শাথীবী হায়রিবা শা অসি নুমিদাং চাক্তাবা মখলগী জীবা (Nocturnal animal) নি। লাইট মঙালদা মখোয়গী মমীৎ অসি মৈবুলগুম্না লংই, শা অসিগী মচুসি ব্রাউন, ব্লেক, হ্বাইট অহুমসিনা লাংবসু লৈ, উৎ মচু মানবসু লৈ। মখোঙ তেল্লি, তৌইগুম্বসুং খূজিলদি য়াম শাংই। খুমাঙগী খূৎশা অমদি খূজিলনা খুদাংদগী শাংবা হেল্লি, মীওইবগুম্না পায়থোক-পায়শিন তৌবা ঙম্মী, লৈনুং হুৎপা ঙম্মী, অকনবা উরু-ৱারু ফাওবা চু চাবগুম্না ইরায় লায়না চিকখায়বা ঙম্মী, য়ূমগী থোঙদা পানবা পুনা ফাওবা হাংদোকপা হৈ। হৌদোংনা ঙা ফাবা হৈবগুম্বনি। মখোয়গী অথৌবা ময়া ৩৪ পাল্লি। মসিগী মতেংনা য়াম্না অথুবা মতমদা জীবশিং হাৎপা ঙম্বনি।

মোইরাং শাথীবী অমগী Length সি ৩২-৪৫ সেন্টিমিটর, মমৈনা ১২-১৯ সেন্টিমিটর, অৱম্বনা ০.৫-১.৯ কেজি, lifespan সি এভরেজতা চহী ৫মুক ওই। হায়রিবসি মফম মফমগী খরা খেন্নবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা ৱিন্টর সিজনদা মখোয়সি নুংথিলগী মতমদা তম্পাক্তা কুমথরকই, ফুমধী হাওধী, উরক-ৱারক, চৱূ ইকুগুম্বদা লোৎতুনা লৈরগা নুমিদাংগী মতমদা খুঙ্গংদা ঙানু, য়েনশিং চাক্তাবগী হৈনবী লৈ।

দিকেদ ৩মুক্কী মমাঙদগী হায়রিবা শা মখল অসি মশীং য়াম্না হন্থরুরে। হৌজিক্তি ভেল্লি এরিয়াগী মীওইশিংনা চাক-ঈশিং থোংবদা এল পি জি গ্যাসনা নম্না শীজিন্নরকপনা মরম ওইরগা অনকপদা লৈরিবা চীংদুম মচাশিংদগী শীং চনবা, উ-ৱা য়ান্থৎপগী থবক তোক্লখিদুনা য়াম্না শোংলে। ভেল্লিদা চেল্লিবা তুরেল অয়াম্বসি মসিগী তোর্ব্বান্দা অনকপগী মীওইনা য়ূম শাজিনবা, ইঙ্খোল কোয়রম্বদু হৌজিক্তি অয়াম্বনা তাকখায়খিবনা মরম ওইরগা হায়রিবা মোইরাং শাথীবী অমদি মসিগা মান্নবা জীবশিংনা হিংবদা, মশীং হেনগৎলকপদা খুদোং য়াম্না চাহল্লি।

মোইরাং শাথীবীনা নুমিদাংদা চাক্তাবা মতমদা গ্রুপ গ্রুপ চৎলগা চাক্তাই। ঙানু, য়েন মশীং য়াম্না য়াম্না শিবা থেংনরিবসি মোইরাং শাথীবী মশীং য়াম্না লাক্লগা চাক্তাবা ওইগদৌরিবনি।

এন বি : ঐগী ৱারেং অসি অহল-লমন কয়ানা লীবিরম্বা ৱারী, মখোয়গী এক্সপরিএন্স লোয়নননা গুগলদা polecat কী মরমদা ইবা লাইরিক খরদা য়ূম্ফম ওইরগা থমজবনি। মসিনা চাদা ১০০ চুম্লে হায়বদি নৎচদে। চেকশিনবীয়ু অদুবু কা হেন্নদি পাখৎপীগনু। ঐ ইশাগী ওইনদি করিমত্তা চিংনদনা মোইরাং শাথীবী অমদি মসিগা মান্নবা শাশিং শোয়দনা ওইনি হায়বসিদা লেপচরে।◀◀

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।